**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা উরান রিজনেল কন্নেক্তিভিতি স্কিমগী মখাদা ইম্ফাল-সিলচর ফ্লাইট সার্ভিস অমুক হন্না মথৌ তৌহন্নবা কেন্দ্র সরকারদা তকশিনখ্রে।

২) অকাশবানি ইম্ফালদসু ঙসি মালেমগী রেদিও নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- অকাশবানি ইম্ফালনা চহি ৬০ হেন্না মীয়ামদা ঈ-পাউ পীদুনা ফুরুপশিংগী মরক্তা অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা মতেং পাংলি।

৩) উখ্রুল জিলা, কাংপোকপী জিলাগী লুংতিন সবদিভিজন অমসুং কামজোং জিলাগী ফুংয়ার সবদিভিজনদা দা থা অসিগী ১০ দগী থম্লকখিবা ইন্তরনেট সার্ভিসকী অথিংবা খুদক্তগী লৌথোকখ্রে।

৪) মণিপুর ষ্টেট কমিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সননা অৱাবা নংলবা নুপীশিংনা সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা হাংলিবা টোল ফ্রি নম্বর ১৮১ দা কোল তৌদুনা খুদোংচাবা লৌনবা হায়রি।

অমসুং

৫) সংসদকী সভা অনিমক্কী অহানবা তাঙ্কককী বজেৎ মীফম ঙসি লোয়শিনখ্রে। অনিশুবা তাঙ্কক্কী বজেট মীফম মথং থাগী ৯ দগী হৌগনি। অদুগা এপ্রিল অনি ফাওবা চত্থগনি।

------

খেমচান্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা উরান রিজনেল কন্নেক্তিভিতি স্কিমগী মখাদা ইম্ফাল-সিলচর ফ্লাইট সার্ভিস অমুক হন্না মথৌ তৌহন্নবা কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি কিনজরাপু রামমোহন নাইদুদা চেরোল অমা পীদুনা তকশিনখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিনা চেরোল অদুদা হায়- ইম্ফাল-সিলচরগী ফ্লাইট সার্ভিস অসি হান্না এম.এস. এল্লায়েন্স এয়ারনা চলাইরম্বনি। অদুবু মমাং চহিগী নভেম্বর থাদগী সার্ভিস লেপখি। ইম্ফাল-সিলচর ফ্লাইট সার্ভিস অসি মণিপুরগী মীয়াম, মরুওইনা অরাপ্পা মফম ওইরিবা জিরিবাম জিলাদা লৈরিবা মীয়ামগী ওইনদি য়ামা মরুওইবা লাইফলাইন অমনি। হায়রিবা ফ্লাইট সার্ভিস অসি লেপখিবদগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে। ফ্লাইট সার্ভিস অসি অমুক হন্না হৌদোক্লগদি রাজ্য অসিগী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীবতা নত্তনা অৱাং নোংপোক লমদমদা কন্নেক্তিভিতিগী লমদা হেন্না ফগৎহনবা ঙম্লগনি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রিগী ওফিস সেক্রেরিয়েটতা ঙসি হায়র ইজ্‌কেসন বিভাগকী ওফিসিয়েলশিং অমদি এ.এল.এস. কোচিং সেন্তরগী মীহুৎশিংগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্য অসিদা ক্বালিতি ইজ্‌কেসন পুরক্নুনা নহাশিংবু অফবা তুংগী য়ুন্বী অমমম ওইহন্নবা ৱাফম ফোংদোকখি।

সৈনিক স্কুল ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল কর্নেল এ. রাজিভনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনসু ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা স্কুল অসিগী মহৈরোই নুপীমচা অমনা পরিক্ষা পে চরচাগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি। স্কুল অসিগী ফিভম হেন্না ফগৎনবা হোৎনবদা সরকারগী মাইকৈদগী পীবা য়াবা মতেংশিং পীগনি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

রেদিওঃ চহি খুদিংগী পাঙথোকপগুম ঙসি মালেমগী রেদিও নুমিৎ পাঙথোকখি। য়ুনেস্কোনা ইং ২০১১ গী নবেম্বর অহুমদা ফমখিবা ৩৬ শুবা মীফমদা ফ্রেবারী ১৩ বু মালেমগী রেদিও নুমিৎ হায়না পাঙথোকবা ৱারেপ লৌখিবনি। কুমশি চহিগী হীরমনা- রেদিও এন্দ আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স-এ.আই. ইজ এ টুল-নোট এ ভোইস

হায়বসিনি। অকাশবানি ইম্ফালদসু মালেমগী রেদিও নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- অকাশবানিনা তোঙান তোঙানবা লোল অমসুং দাইলেক্টশিংদা শন্দোক্তুনা লৈবাক অসিগী মীশিংগী চাদা ৯৯ দা য়ৌহনবা ঙমলে। মণিপুরদসু অকাশবানি ইম্ফালনা চহি ৬০ হেন্না মীয়ামগী সেবা তৌদুনা মীয়ামদা ঈ-পাউ পীদুনা ফুরুপশিংগী মরক্তা অপুনবগী শক্তম শাগৎতুনা লাক্লি। মতম মতমগী কান্নরবা ঈ-পাউ কয়া পীরি অমসুং তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া শন্দোক্তুনা মীয়ামগী পুকিং লৌশিং ওইহল্লিবা রেদিওনা লৌরিবা থৌদাং অসিবু ইকায় খুমবা উৎলি হায়না রাজ্যপালনা মখা তাখি।

মালেমগী রেদিও নুমিৎতা উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। উপ রাস্ত্রপতিনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-রেদিওনা মীয়ামদা ঈ-পাউ খঙহনবগী মথক্তা মীয়াম মরক্তা অমগা অমগা শমহল্লি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা রেদিও নুমিৎনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়-রেদিও হায়বসি খুঙ্গংদগী হৌরগা নিল খোঙলবা সহরদালৈরিবা মীয়ামদা থাজবা খোঞ্জেল অমা ওইরি।

পাউজেল অমদা কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিংগী রাজ্য মন্ত্রি-ডা: এল. মুরুগননা হায়-মীচম মীয়ামদা মরিক চুম্বা পাউ ফংহন্নবা হোৎনবদা রেদিওনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মহাকা হায়-লম অসিদা কৎথোক্তুনা থবক তৌবীরিবশিংনা মখা তানা মীয়ামগীদমক কৎথোক্তুনা থবক তৌবীনবসু আপিল তৌরি।

ইন্তরনেট (এল)ঃ উখ্রুল জিলা, কাংপোকপী জিলাগী লুংতিন সবদিভিজন অমসুং কামজোং জিলাগী ফুংয়ার সবদিভিজনদা দা থা অসিগী ১০ দগী থল্লকখিবা ইন্তরনেট সার্ভিসকী অথিংবা খুদক্তগী লৌথোকখ্রে। মণিপুর সরকারগী হোম বিভাগকী জোইন্ট সেক্রেটরি ডাঃ ময়েংবম ভেতো সিংহনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মফমশিং অসিদা শান্তি রক্সাগী ফিভম খরা ফগৎলকপা অমসুং ইন্তরনেট সার্ভিস থিংনবনা মরম ওইদুনা মীয়ামা থেংনরিবা খুদোংচাদা কয়া অদু য়েংলগা অথিংবা অসি লৌথোকপনি। মীয়ামা ইন্তরনেস সার্ভিস দাইত্ব লৈনা অমদি নিয়ম চুমা শিজিন্নবীনবা আপীল তৌরি।

ৱিমেন (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগা খুৎশমদুনা সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱার্ক প্লেস প্রিভেন্সন, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল এক্ট ২০১৩ গী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কম্মিসন অসিগী চেয়রপার্সন তিনিংফম মোন্সাংনা হায়- ৱিমেন কম্মিসন অসি রাজ্য অসিদা লৈরিবা নুপীশিংগী য়াইফনবা মখোয়দা হেন্না শক্তি পীননবা অমসুং নুপীশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং ফংহন্নবা লিংখিবনি। নুপীশিংগী হকশিং নিংথিনা ঙাকনবা এক্ট অসিনা পীরিবা চৎনা কাংলোনশিং নিংথিনা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈ। অৱাবা নংলবা নুপীশিংনা ৱাকৎলকবা সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা টোল ফ্রি নম্বর ১৮১ হাংদোক্নুনা পুং ২৪ মথৌ তৌরি।

থৌরম অদুদা ককচিংগী এস.পি. প্রিয়াদরসিনি লাইশ্রম, ৱিমেন কম্মিসনগী মেম্বর সেক্রেতরি দব্লিউ. ফজাতোন্বী য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ডে (এল)ঃ নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেত চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ইন্তরনেসনেল ডে ওফ ক্লিন ইয়ার ফোর ব্লু স্কাইজগী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ হৈরাংগোই থোং কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোখ্রে। থৌরম অদু মীয়ামদা নুংশিৎ মোৎশিল্লকপনা হকশেলদা অকায়বা থোকহল্লকপগী মতাংদা খঙহন্নবা অমসুং হৌজিক অমদি তুংগী মীরোলগীদমক নুংশিৎ মোৎশিনহন্দনা থমবা পুন্না থৌদাং লৌমিন্ননবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ এন.জি. দয়াবতি দেবী, অপ্পর প্রাইমারি হেলথ সেন্তর শিংজমৈগী মেদিকেল ওফিসার ইন-চার্জ ডাঃ এন. হরাবা শরুক য়াখি।

হেন্দলুম (এল)ঃ রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুমস এন্দ টেক্সতাইলসকী শেন্থং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইল তেংনৌপলনা শিন্দুনা ফিশাবীশিং, আর্টিসানশিং অমদি ওন্তরপ্রেন্যুরশিংদা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী স্কিমশিং অমসুং

ফাইনান্সিয়েল লিটরেসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি জিলা অদুগী খাংসিম ভিলেজদা লৈবা কোসাং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তেংনৌপল অমসুং মচিগী এস.দি.ও-বি.দি.ও মুহামদ নাজমুল হুদা খান, দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাই তেংনৌপল অমসুং চান্দেলগী প্রোজেক্ট মেনেজর শোইবম হেরামনি সিংহ অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুমস এন্দ টেক্সতাইলসকী দিপ্যুতি দাইরেক্তর (হেন্দলুম) থোকচোম বুসন্তনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

কৃষিঙ (এল)ঃ কে.ভি.কে চান্দেলনা শিন্দুনা জিলা অসিগী সালেমথর খুলদা ঙসি চীংগী লমদমদা তুং কোইবা লৌউ শিংউগী থবক থৌরম অমসুং ত্রাইবেলশিংদা হেন্না শক্তি পীনবা ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সোইল এন্দ ৱাটর কঞ্জার্ভেসনগী সবজেক্ট মেত্তর স্পেসিয়েলিষ্ট ডাঃ কাংজম সোনামনিনা হায়- লৈবাক লৈহাও মাংহন্দনবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা লৌউ শিংউবগী থবক পায়খৎপা মথৌ তাই। মহাকা হায়- শন্থি-ষনয়ুংগী হার অমসুং ভরমি কমপোজ শিজিন্নবনা লৈবাক লৈহাও ফগৎহনবগা লোয়ননা ঈশিং চুপশিনবগী চাং হেনগৎহল্লি। খুলগী খুল্লাকপা, খুঞ্জাশিং অমসুং নহা কয়ামরুম শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা মাইরেল, থবী অমদি হৱাই মরুশিং য়েন্থোকখি।

সিএসও (এল)ঃ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন, কংলৈপাকা হায়রি- ফ্রন্তিয়ার নাগালেন্দ তেরিতোরিয়েল ওথোরিতিগী কাংলোনগা মান্নবা ওতোনোমি অমত্তা রাজ্য অসিদা লৈরিবা তোখায় তানিংবা ফুরুপশিংদা পীবা য়ারোই।

তোঙান তোঙানবা লুপ ১৪ না পুনশিন্দুনা শেম্বা ওর্গনাইজেসন অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ইষ্টর্ন নাগালেন্দগী তোঙান তোঙানবা জিলা ৬ পুনশিল্লগা ফ্রন্তিয়ার নাগালেন্দ তেরিতোরিয়েল ওথোরিতিগী ওতোনোমি পীনবা হন্দক নাগালেন্দ সরকার, ভারত সরকার অমসুং ই.এন.পি.ওগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখ্রে। ফিভম অসিদা রাজ্য অসিদসু অসিগুম্বা মখলগী ওতোনোমি অমা তোখায় তানিংবা ফুরুপশিংদা পারক্কদ্রা হায়বগী মীয়ামদা চাউনা নুংনাংবা পোকহল্লে।

কেম্পেন (এল)ঃ নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ দেফনেস, নেসনেল হেলথ মিসনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবালনা শিন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্থরকপা না তাথিবা খঙদোকবা কেম্প অমসুং এৱারনেস থৌরম ঙসি য়াইরিপোক কেক্রুদা লৈবা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দিরদা পাঙথোক্কুনা লোইশিনখ্রে।

থৌরম অদুদা দি.পি.পি.সি.দি, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসারসু ওইরিবী ই.এন.টি স্পেসিয়েলিষ্ট ডাঃ নিংথৌজম পিঙ্কি চনু, ই.এন.টি স্পেসিয়েলিষ্ট ডাঃ বিরজিৎ সিংহ, ওদিওলোজিষ্ট উমা নরেংবম অমসুং হিয়ারিং ইন্সত্রক্তর অরিবম দেবলা দেবীনা মীয়ামদা এৱারনেস পীবা অমদি অনা লায়েংগী থবক চত্থখি।

দোন বোস্কো (এল)ঃ দোন বোস্কো কলেজ মরামগী দিপার্টমেন্ট কেমিষ্ট্রিনা শিন্দুনা ত্বেন্তি ফার্ষ্ট সেঞ্চুরি ফ্রন্তিয়ার ইন সাইন্স হায়বা হিরমদা নুমিৎ নিনি চুপা চত্থরকপা নেসনেল সেমিনার ঙসি লোইশিনখ্রে।

সংসদঃ সংসদকী সভা অনিমক্কী অহানবা তাঙ্কককী বজেৎ মীফম ঙসি লোয়শিনখ্রে। মমাং থাগা ২৮ দগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীফম রাস্ত্রপতি-দ্রৌপতি মুরমুগী ভাষনগা লোয়ননা হৌদোকখিবনি।

লোক সভাদা তোঙানবা তোঙানবা মন্ত্রিশিংনা মখোয় মখোয়গী মন্ত্রালয়গা মরী লৈনবা চে চাংশিং পুথোকবা হোৎনরিঙৈদা সভাদা বিরোধি সদস্যশিংনা চরাংনবা থোকপদগী মীফম য়ৈথোকখিবনি।

অনিশুবা তাঙ্কক্কী বজেট মীফম মথং থাগী ৯ দগী হৌগনি। অদুগা এপ্রিল অনি ফাওবা চত্থগনি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি হয়েং অসামদা লাক্কদৌরি। মহাকা রাজ্য অদুদা লুপা কোতি লিশিং ৫,৪৫০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা শঙ্গাগনি, খরনা উরেপ উয়ুং তমগনি। শ্রী মোদি হয়েং অয়ুক পুং

১০ মখায় তাবা অদুৱাইদা রাজ্য অদুদা থুংলগনি। মহাক্কী অসাম খোঙচৎ মনুংদা ঐতিহাসিক ওইরবা খোঙথাং অমা ওইনা দিব্রুগর জিলাগী দিব্রুগর-মোরান লম্বী পরিংগী চবুৱাদা শেমগৎলিবা অৱাং নোংপোক লমদমগী অহানবা হাইৱে বেজ ইম্মরজেন্সি লেন্দিং ষ্ট্রিপতা শ্রী মোদিনা তোংলিবা এরোপ্লেন অদু লম্বী পরিং অসিদা তাগনি। তুংদা চায়েং ওইনা লম্বী অসিদগী মহাকা তোংলিবা এরোপ্লেন অদু অমুক পাইখৎখিগনি।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ফাইটর জেট কয়া লম্বী পরিং অসিদা তাগনি। খরা অমনা ফ্লাই পাস পাঙথোক্কনি। প্রধান মন্ত্রিনা গুৱাহাতি অমসুং নোর্থ গুৱাহাতি অনি ফাওনবা ব্রহ্মপুত্র তুরেল মথক্তা লুপা কোতি লিশিং ৩ হেন্না চংনবা শাবা কুমার বাস্কর বরমন থোংসু শঙ্গাগনি।

তুংদা, গুৱাহাতিগী ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্টকী টেম্পররি কেম্পস, ইলেক্ত্রিক্ট বস ১০০ সু রাজ্য সরকারদা খুৎশিন্নগনি। শ্রী মোদিনা অমিনগাউদা হাইপর স্কেল দেটা সেন্তরসু হৌদোক্কনি। প্রধান মন্ত্রিনা গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা ভারতিয়া জনতা পার্তিগী থৌমীশিংগী মীফম অমদসু ৱা ঙাংগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলো ঃ মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শিনবা অনিসুবা ডাঃ কে.এস.ঐচ. চৌরজিৎ সিংহ ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট পোলো ত্রনামেন্ট ২০২৬ ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুদা হয়েং লোইশিল্লগনি। থৌরম অসিদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি।

পোলো ঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা অনিশুবা ডাক্তর কে.এস.ঐচ. চৌরজিৎ সিংহ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট পোলো টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা-চিংখৈহুনা পোলো ক্লব-কোংপালগা এক্স-পোলো ক্লব-ৱাংখৈগা হয়েং থেংনরগনি।

ক্রিকেট ঃ ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-নপসা খা-ইম্ফালনা বি.এস.সি ব্রহ্মপুরবু রন ৫৮ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা- ৱাই.পি.ঐচ.য়ু-এন ললাম্বুংনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন ১৩৯ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা এন্দ ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ত্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা রেজ খ্বাই নাগামপাল লমাবম লৈকাইনা ই.এস.য়ু ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে।

তুরনামেন্ট অসিগী মোদেল হয়ার সেকেন্দরি এন্দ ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা কে.সি.সি. কোংবা বজারবু রন ৫ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ তেন্থা হৈবুং ত্রাঙ্কুইলিতি ক্লবনা শিন্দুনা চত্থরিবা অহুমসুবা টি.কিউ.সি ত্রোফি, লেট ইরুংবম বিরলা মেমোরিয়েল ষ্টেট লেবেল ওপন ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা কে.সি.এ খাঙবোকনা তেন্থা হেরিকেনবু রন ১০৫ দা থোইখ্রে। অনিসুবা মেটচতা থোকচোম জ্বেল্লরি খাঙবোকনা য়ায়া পাল্লেলবু রন ১৮৩ দা থোইখ্রে।

ফুটবোলঃ বিষ্ণুনহা য়ুথ ফেদরেসন য়াইরিপোকনা শিন্দুনা চত্থরিবা অনিসুবা য়াইরিপোক ত্রোফি মণিপুর ওপন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা তেন্থা এফ.সি অমসুং জে.এফ.সি ক্যামগৈ পাঞ্জল অমত্তা চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা জোন এফ.সি অচানবীগৈনা এস.আই.সি শিঙ্গাবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

------